মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা ন্যু দেল্লিদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু উনদুনা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেসন সেরেমোনি য়াওবীনবা চেবাও পীরম্বা



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৈমরামদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিংদা ইনি দয়ন আর্মিনা লাইরিক-লাইশু তম্বগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং খূৎশিন্নখিবা

In Continuation of Social Service, 2024
in Connection with
2nd FOUNDATION DAY CELEBRATION
OF (FESOK)
Venue: Biramangol College, Sawombung
Date: 11th February, 2024
FEDERAL STUDENTS' ORGANISATION KANGLEIPAK (FESOK)

ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক) শাফোঙবা চহী ২ শুবগী থৌরমগা মরী লৈননা বিরমঙ্গোল কোলেজ শওম্বুংগী য়ুনিট কাউন্সীলগা খূৎশম্মনা সোসল সর্ভিস পাঙথোকখিবা

য়াইঙংপোকপীদা লৈবা আর্মিগী মেদিকেল টিম অমনা মিস তিমরোর কৌবী চহী ৩ লোম শুরবী নুপীমচা অমা সেকেন্দ দিগ্রীগী থাক্তা মখোঙদা মৈনা পোকপদগী খুদক্কী ওইবা মেদিকেল এসিস্টেন্স পীখিবা

লুপা ক্রোর ১.৭৫কী দ্রগ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : অসাম রাইফলসনা পুলিস দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী মিজোরামগী জোখ্বাথরদা ওপরেসন চথবদা হিরোইন গ্রাম ১.২৪ য়াওবা কন্টেনর ৪ ফাগৎখ্রে। দ্রগশিং অদু চম্পাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মেলবুক রোদ জঙ্কসন অমসুং ন্যু রিক্নান, জোখ্বাথরগী মফম অনীদা ফেব্রুৱারী ১০দা চথখিবা কম্বাইন্দ ওপরেসন অমদা ফাগৎখিবনি হায়রি।

হিরোইন কন্টেনরশিং অদু লুপা ক্রোর ১.৭৫ ওইগনি হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মীওই অহুমসু ফাগৎখি। ফাগৎলবশিং অদু লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক জোখ্বাথরগী পুলিস দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

রিজনল লেংগ্বেজ ১৩দা রিক্রুটমেন্ট এগজাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : সী আর পি এফ, বি এস এফ অমসুং সী আই এস এফকী কন্সটেবলশিং লৌননবগী এগজামিনেসন অমা ফেব্রুৱারী ২০ অমসুং মার্চ ৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, চাউরাক্না কেন্দিদেট লাখ ৪৮ লোম কন্সটেবলগীদমক লৌগদবা এগজাম অদু লৈবাক অসিগী সিটি ১২৮দা পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা এগজাম অসিদা হিন্দী অমসুং ইংলিসকী মথক্তা রিজনল লেংগ্বেজশিংদসু পাঙথোক্কনি হায়না মমাঙ চহীগী এপ্রিলদা লাউথোকখিবা লৈপ্রবনি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ইনিসিএটিভ লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা হিষ্টোরিক ওইবা এগজাম অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সতা য়াওনবা এগজাম থাবা ঙম্নবা অমদি রিজনল লেংগ্বেজশিং চাওখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। এগজাম অসিগীদমক খনগৎলবা রিজনল লেংগ্বেজশিং অদুদি অসামিজ, বেঙ্গলি, গুজরাতি, মরাথি, মলায়ালম, কনারা, তামিল, তেলিগু, ওড়িয়া, উর্দু, পঞ্জাবী, মণিপুরী অমসুং কোনকানি হায়রিবা লোলশিং অসিনি। পাঙথোক্কদৌরিবা এগজাম অসি ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন্না কন্দক্ট তৌগদবনি হায়রি।

মীয়াম্না ঙক্না য়েংনখিবা লৈচিলগী খুদম চাংদমনা ঈরাংসি মতম খরদি ঈংথগনি : প্রো. কাংজিয়া মঙাং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ মায়কৈদা লৈচিলনা লিরুং শানা কোল্লপ থোকখিবা, মীয়াম্না ঙক্না য়েংনখিবগা লোয়ননা সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকখিবা লৈচিলগী মওং-মতৌ অদুগী মতাংদা মীতৈগী অরিবা পুয়া ‘লৈচিল্লোন’গী মতুংইন্না মণিপুরগী নোংচুপ মায়কৈদা থোক্লিবা ঈরাং অসি মতম খরদি ঈংথগনি হায়না মণিপুরগী উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইচৌ পুরেল প্রোফেসর ঙারিয়াম্বম কাংজিয়া মঙাংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

লৈচিল্লোন হায়রিবা পুয়া অসি মীতৈগী অরিবা খূৎইদা থম্লীরম্বা পুয়া অমনি। মসিদা অতিয়াদা থোকপা তোঙান-তোঙানবা লৈচিলগী মওং-মতৌ মতুংইন্না লৈবাক অসিদা থোক্লবা যাবা থৌদোক-ৱাথোক্কী ইঙ্গিৎ ইথোক্তুনা থল্লম্বনি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা মীয়াম্না নোংচুপ মায়কৈদা উনখিবা লৈচিলগী মওং অদু অৱাং কৌব্রু অসুপ্পদগী হৌরগা নোংচুপলোমদা কোল্লপনা লৈখিবা মওং অদুগী মতুংইন্না মায়কৈ অসোমদা থোক্লিবা ঈরাং অসি মতম খরদি তপথখিগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মনিং থংবা চীংশাং অসি লোইজি চীংশাং হায়রগা খঙনরি। চীংশাং অসি কৌব্রুগী ঙাপ্পম চীংজিন্দগী কৌব্রু চীং ৱাংমা লাল্লগা ষন মরুম ৱাংমা লাল্লগা উপথরপ তৌনা থোকখি। উপথরিবা মতৌ অসিনা থা মচেৎ মওংনি হায়না লৌগনি। অৱাং কৌব্রু অসুপ্পদগী হাইথরগা নোংচুপলোম থংবা মায়কৈদা কোন্থখিবনি। কৌক্রক অসি চীঙ্খৌ ওইরপ্লা তাবনি। অদুগা কাংচুপনা মনিংলোমদনি। মমাঙথক্তসু অতিয়াদা লৈচিলগী ‘শামি-লান্মী’ হায়না খঙনবা মওং অমা থোকখিবা লৈখি। মতম অদুদা ঈরাং য়াম্না কনখি। মায়কৈ অসোমদা নোংমৈ কাপ্পবা, বোম কাপথবনচিংবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখি। মদুসু লৈচিল্লোনদা পীরিবা ফলগা মান্নখি। মরম অদুনা ঙসি উৎলকখিবা লৈচিলগী কাঙলোন অদুগী হায়রুৱবদি ঈরাংসি মতম খরদি নেমথখিনি হায়রি।

মণিপুরগা ম্যান্মারগা তায়নবা লমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক লৌখৎলকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট এক্সন কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি (জে এ সী সী) খুরাইগী ভাইস চ্যেরমেন টি ঐচ বোন অমদি কো-ওর্দিনেটর ৱাকম্বম নাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা হন্দক্তা লাউথোকখিবা ম্যান্মারগা মণিপুরগা তায়নরিবা লমখৈগী শরুক শম্বল খাবা অমসুং অপনবা লৈতনা ম্যান্মার লৈবাক্তা চঙথোক-চঙশিন য়াহল্লিবা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) থুপচিনখিববু শৌগৎচরি অমদি মসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) অসিনা নাকল অনীনা মখোয়-মখোয়গী লমগী শরুক্তা অপনবা অমত্তা য়াওদনা কিলোমিটর ১৬ ফাওবদি চঙথোক-চঙশিন য়াহল্লি। মসিনা মতম চুপ্পদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈবগী অয়াবদি পীদে। করিগুম্বা চঙনরগসু অমুক হনখিগদবনি। মণিপুরদগী চঙখিবা খূদিংমকসু অমুক ময়ুমদা হন্নরকপা ঙাক্তনি। অদুবু ম্যান্মারদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদি ম্যান্মারগী লান্মীশিংগী মীওৎ-মীনৈনা মরম ওইরগা মণিপুররোমদা লোন্না চঙলকখিবা অমত্ত ম্যান্মাররোমদা অমুক হনখিদে। মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা লৈবা উমং-ৱামংশিংদা লৈশিন্দুনা খুল তানবা হোৎনরকপা ঙাক্তনি।

ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চঙলকপনা মখোয়গী শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া নৎত্রগা মণিপুরগী অশেংবা সিটিজন নত্তবনিনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট করিনো খঙদবনা উমং-ৱামং কোকথোক্তুনা পোপ্পী থাজিল্লকপনি। ঙসিদি পোপ্পীগী শেলনা অমদি এস টি ওন এরাইভেল ফেসিলিটিনা মরম ওইরগা মখোয়গী মচা-মশু কয়া দেল্লিনচিংবা অচৌবা সিটিশিংদা চত্তুনা লাইরিক-লাইশু তম্নবা হোৎনরক্লি। মরম অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা এফ এম আর থুপচিনখিবা অমদি ঙমখৈ শম্বল খাবগী ফিরেপ লৌরকপসি লমদম অসোমদা তংদু লৈতাবা ফীভম হল্লক্লবগী অহানবা খোঙথাং ওইগনি হায়না কম্মিটি অসিনা লৌই। মীয়াম্নসু শৌগৎফম থোকই হায়রি।

অইবা লৈতান্থেম রামগী মরমদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

te: Sunday, the 11th February, 2024 | Venue: YVU Bhavan, Thoubal Wangmataba
Organised by: SAHITYA AKADEMI
with MA UR SAHITYA SAM & KAVI LEITANTHEM RAM SINGH M
TH KHOMDON SINGH

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : অইবা লৈতান্থেম রামগী চহী ১০০ শুরকপা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা অইবা অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা ৱাই ভি য়ু শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লিনা মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবাল অমসুং অইবা লৈতান্থেম রাম সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টকা পুন্না খূৎশম্নরগা শীনখিবা সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালগী প্রসিদেন্ট এ দি সিংহ, অইবা লৈতান্থেম রাম সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট ডা. থৌনাওজম খোমদোন অমসুং অইবা অসিগী মচানুপী লৈতান্থেম নিঙোল আর কে ওংবী মুহিনিনা ফম্বাক থক্তা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবা থৌরম হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ ন্যু দেল্লিগী কনভিনর ওইরিবা প্রোফেসর রাজেন তোইজাম্বনা অইবা রাম সিংহগী মতমদা ওইরম্বা মণিপুরী খুন্নাইগী ফীভম অমদি মরমদা মরিক চুম্না থমখিবগা লোয়ননা অইবা অমা ওইনা রাম সিংহনা মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনরম্বা কয়াবু শীংথাখি। তোঙান-তোঙানবা সেসন অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অয়ুক্কী সেসন্দা ডা. শরতচন্দ্র লোংজোম্বা, ডা. সনসম নবদ্বিপ অমসুং ইবোম্চা য়াম্বেম অমদি নুংথিলগী সেসন্দা ডা. আনন্দ লোংজম অমসুং সেঙ্গোইম্না সনসমনা তোঙান তোঙানবা চে পাথোকখি।

মনা পীগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : আর্ট সোসাইটি মণিপুর অমসুং মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কন্ফরেন্স অনীনা পুন্না শীন্দুনা পীবা ১০শুবা মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রত সিংহ আর্টস এৱার্দ ২০২৪গী মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

আর্ট এৱার্দ অসি চহী অসিগী ওইনা থা অসিগী হৌখিবা ৮দা ফমখিবা জুরি মেম্বরশিংগী মীফম অমনা ১০ শুবা মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রত সিংহ আর্টস এগজিবিসন্দা উৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা থাগৎলকপা লাইশিংগী মরক্তগী ১০শুবা মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রত সিংহ আর্টস এৱার্দ ২০২৪ পীনবা আর্টিষ্ট অনী খনগৎখিবনি হায়রি।

হায়রিবা এৱার্দ অসি পীনবগীদমক্তা খনগৎলবা লমদমসিগী আর্টিষ্ট অনী অদুদি গ্রাফিক এৱার্দকী ওইনা ৱারিবম নিপোলা অমদি ওনরেবল মেন্সন এৱার্দকী ওইনা স্বল্পচরগী আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা সাইরেম সত্যজিৎপু খনগৎলে হায়রি। এৱার্দশিং অসি চৎলিবা থা অসিগী ১৭তা মণিপুর আর্ট গেলেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রত সিংহ আর্ট এগজিবিসন হৌদোকপগী থৌরমদা খনগৎলবা আর্টিষ্টশিং অসিদা খূৎশিন্নগনি হায়রি।

আর্ট এগজিবিসন অসিদা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা থাগৎলকপা আর্টকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং উৎকনি হায়নসু আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি এম মনিঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ভেদস্কোগী জি বি মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোককী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ক্লব ৪১গী অপূনবা এপেক্স বোদি ওইরিবা ভোলন্টরি এদ্যুকেসনল দিভেলপমেন্ট সোসল এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (ভেদস্কো)গী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রী মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইস্নাগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কুমজা ১৯৯৯দগী ২০২৩গী অরোইবা চয়োল ফাওবদা চহী ২৪ চুপ্পা ভেদস্কোগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্লবা ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইস্না ঙসি মশাগী অচিনবা কয়ানা মরম ওইদুনা প্রসিদেন্টকী ফম থাদোক্তুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী এদভাইজরি কম্মিটিদা শীন্নখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা খ্বাইদগী অরিবা লন্নাই ওইনা লিংবা এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা ভোলন্টরি এদ্যুকেসনল দিভেলপমেন্ট সোসল এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (ভেদস্কো) অসি কুমজা ১৯৮৯দা লিংখৎখিবনি। ঙসিগী ভেদস্কোগী এদভাইজরিশিংদা প্রসিদেন্টকী থৌ খূৎশিন্নবগী থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইবদগী পোথাখ্রবা ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইস্নানা মহাক্না থৌ পুরিঙৈ মতমদা পাঙথোকখিবা থবকশিং শীংথাবগা লোয়ননা মহাক্কী ওইবা ৱারোল পীরদুনা, ঙসি অসি ঐহাক্কী পূন্সিদা খ্বাইদগী পূক্নিং নুংশিবা অমসুং কাউবা ঙম্লরোইদবা নুমিৎ অমনি হায়খি।

তমথীরবা লাননা শেন্মীৎলোন শোকহল্লবশিং...

লমায় ১গী মখা... খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদসু মসিগী চৈফু পীরকপনা ঙা কিলোগ্রাম অমদা শুপ্পতগী লুপা ১০০ খক্তদা য়োন্থোক্লস্বসু য়াওরে।

ঙা হায়বসিদি ফিরোলদৌনা কুইনা থমজিনবা য়াবসু নত্তে। উন হাপ্পগা থল্লবসু কয়াম কুইনা থমগনি হায়রদুনা মহুৎ মাঙলগা য়োন্থোকপা নুমিৎ য়ামশিল্লক্লে। অসিগুম্বা নুমিৎশিং য়ামশিল্লকপদগী লান হৌরকপদগীনা ঙসি ফাওবদা লুপা লাখ ১ হেন্না পুখরে। হৌজিক কৈথেল অসিদা কারক্লিবশিংসি কৈথেল অসি মূৎখিদনবা অমসুং মী ৱাৎহন্দনবা কাবনি। ফীভম অসিদদি ঙাগী ফার্ম তৌরিবশিংনা মখোয়গী ঙাশিং ফাবসু কিন্নরে। মরম অসিনা য়ারিবমখৈ পোৎফম ফম্বীশিংনা শিন্থা লেপ্পা, খুদক-খুদক্কী ওইনা কৈথেল থিংজিনবগী থবক য়ারিবমখৈ তৌহন্নীংদে। পোৎ য়োল্লিবা ঐখোয়না শিন্থা লেপ্লিবমখৈ ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন হেন্না শোকচিলহল্লি। হন্দক পাঙথোকখিবা ইমোইনু ইমাগী ঈরাৎ থৌরম নুমিত্তা ফাওবা মহৌশাগুম্না ঙা য়োনবা ঙমখিদে। কৈথেল অসি য়ারিবমখৈ লেপ্তনবা তৌসি। অদুগা বন্দসু য়ারিবমখৈ কৌরগুমসি। ঐখোয় মশেল অৱাবা পীনবা ওইনা থোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হন্দক্কী ঈরাং অসি হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা লুপা লাখ ১ হেন্না দ্যু চৎলে। মতম মাঙনা কৈথেলদা লাক্লগা পোৎ শুংশিৎ শিত্তনা হনবসু নুংঙাইতে। ঙাসু শিজিল্লকপা য়াওই। অদুনা তত্থায় তারগা মহুৎ মাঙনা য়োন্থোকপা মশীং থিঙমদ্রে। খুদক-খুদক্কী কৈথেল লেপ্পা, বন্দ তৌশিল্লকপা অসিনসু য়াম্না মাঙই। লৈবাক্কীনি খল্লগা করিসু নুংঙাইতবদি লৈতে। অদুবু শিন্থা লেপ্তুবীদা চঙশিনবা খোঙজংদুনা হেন্না ফৈ। নৎত্রবদি ঐখোয় পুন্না ঈরাকমিন্নবগী ফীভমদা লৈরে। হৌজিক শেন্মীৎলোনগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। অদুনা য়ারিবমখৈ শিন্থা লেপ্তুনবা হোৎনসি। মীয়ামগী শেনখায়, মরুপকী শেনখায় ময়ামসিগীসু খনবদা ৱাখল য়াম্না ৱাই হায়রকখি।

অতোপ্পা ঙায়োনবী ময়াং ইম্ফালদগী শমজেৎশাবম ওংবী লক্ষ্মীনা ফোঙদোরকপদা, খূৎলামখাং ফাওবা কৌদনা হনবা নুমিৎ মশীং থিঙমদ্রে। কুইনা থম্বা য়াবসু নত্তবনিনা ঙা শিজিল্লকপনা শেল মাঙনা মাঙনা য়োল্লে। হৌজিক পাউ নুংঙাইতবা তারিবা ময়ামসিদা ঙা শিৎপসু ৱাৎলে। য়োল্লিবা ঐখোয় ফাওবা ঙা চানিংবদি লায়রদনা মীৎকী পি কংদনা লেল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

তঙাইফদনা তৌফম থোকই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : লমদমসিগী খুল ঙাকপশিংদা মতেং পাঙবসি মীতৈগী য়ুমথোঙ খূদিংমক্না তঙাইফদনা তৌফম থোকই, ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং কুকি লালহৌবশিং অনীগী মরক্তা চৎনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎনদ্রবা/লৌথোক্লবা মতম অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিং য়াচল লাকপা ঙমগনি হায়না সিসিয়ন ফোরম পিছ কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি। ফোরম অসিনা মমাঙ চহীগী মে ১৫দগী হৌনা লাননা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীতৈশিংদা অমদি খুল ঙাক্লিবশিংদা অঙন্বা মতেং পাঙবগী থবক মখা চথরকপা ওইনা ঙসি কুকিশিংনা তত্তনা লান্দারিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক্তা খুল ঙাক্লিবশিংদা সিসিয়ন ফোরমনা অঙন্বা মতেং পাঙখ্রে।

আলু অমসুং মনা-মশিং থানবা পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : ইতা নোর্থইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্ককী মায়কৈদগী লমদমসিদা জুন থাদগী হৌনা চথরকখিবা লাইভলিহুদ ইনিসিএটিভকী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা রিলিফ কেম্প মরিদা আলু চারা অমসুং মনা-মশিং থাহনখ্রে।

রিলিফ কেম্পকী ওর্গনাইজরশিংদা মনা-মশিং থানবা লম লৈবা মফমশিং থিদোক্তুনা অহানবগী ওইনা মহিন্দ্র আলু বেগ ২০ রিলিফ কেম্প মরিদা য়েন্থোক্তুনা থাবা হৌখ্রে হায়রি। মসিদসু নত্তনা কারোৎ অখাবী, বিন্স, থবীনচিংবা মনা-মশিং কয়াসু থানবগীদমক্তা মথৌ তাবা মরূ-মরাংশিংসু পীথদুনা মীপাল তাঙদনা হিংননবা লম্বী মখা তানা শেল্লি।

পনবা য়াবদি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা রিলিফ কেম্প তরেৎতা ইতানা ফিশাকোল ২৫, স্বিৱিং মেছিন ৯ অমসুং ধুপ শাবা, কেন্দল শাবা, পোলাং শাবনচিংবা থবক কয়া পীথদুনা শেন্থোক লম্বী লৈহনখ্রে হায়রি। ইতানা হায়রিবা রিলিফ কেম্পশিং অসিদা হৌদোক শেল পীবদা নত্তনা মখোয়না পুথোরকপা পোৎলমশিং য়োনবদসু মতেং পীদুনা লাক্লি। মখা তানা ইতা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্কনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থবক-ইনখাং নীংথিনা শুনিংবা রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিং খনগত্তুনা ফিশাকোল অমসুং স্বিৱিং মেছিন হয়েং য়েন্থোক্কনি হায়রি।

এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী শরুক অমা ওইরিবা য়ুথ গাইদেন্স ক্লব কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় অমদি সাউথ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস ঈ য়ু সী ও)গা পুন্না শীন্দুনা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা ৱাই জি সী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎকা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অদুদা হুই মশীং ৬০, হৌদোং ১০ পুন্না ৭০ ভেক্সিন কাপথোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসকী ভেটিরিনরি ওফিসর পোরোম্পাৎ ডা. দিপা থাংজম, এ ঈ ঈ এল বসন্ত, ভি এফ এ তখেল ও তেলহৈবা মীতৈ, ভেটিরিনরি এটেন্দেন্স ঈ অরিব খান শরুক য়াখি। ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং, পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল কৃষ্ণচন্দ্রনচিংবা ওফিস বিয়াররশিংনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিনা হেল্থ চেক অপ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বীশিংদা গাড়ী থৌদুনা লমদমসিগী মীয়ামগী হিংনবগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টরশিংদা ফর্ষ্ট এইদকী ত্রেনিং পীবগা লোয়ননা হেল্থ চেক অপ তৌবগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সপোর্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা এম জি এভেন্যুদা লৈবা আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়খি, লাইফ লাইন অসিদা গাড়ী থৌদুনা মীয়ামগী মতেং পাঙদুনা লাক্লিবা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টরশিং অসিনা পুশিল্লকপা নুংতিগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসিনা লৈবাকসিগী মীয়াম হিংলিবনি। অৱাংবা য়ূম অমদি ফুরা-দলালদা লৈরিবশিং অসিসু ত্রকশিং অসিদা পুশিল্লকপা মচাকশিং য়াওদ্রগদি শাবা ঙম্লম্লোই। পোৎলমশিং অসি নোংথক্কী লম্বীদা কয়া য়াম্না পুশিল্লকপা ঙমগদগে। অসিগুম্বা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অসিনা অৱা-অনা তারকপা মতমদা অমদি খুদোংথিবা মায়োক্নরকপদা করি মতেং পাঙগদগে হায়বসি য়াম্না মরু ওই। হায়রিবা থবকশিং অসি তঙাইফদবনি হায়না খঙলগসু ঙসি ফাওবা কনা অমত্তনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরক্লি।

অসিগুম্বা অহোবা অৱাৎপা অসি মেনশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী পান্দমদা আই আর সী এসনা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকচবনি। ঙসি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্টদিপার্টমেন্ট অমদি আই আর সী এসকী ওইনদি অচৌবা মায় পাকপা অমনি। গাড়ী থৌরিবা লমদমসিগী ইচিল-ইনাওশিং অসি মশা-মউ ফন্না লৈবগী মথক্তা মমিৎ থৌবা মথৌ তাই। মরম অসিনা ঙসিগী হেল্থ চেক অপ অসিদা দ্রাইভর অমসুং কন্দক্টরশিংগী মীৎ য়াওনা অতোপ্পা মেদিসিনগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদসু মরু ওইবা টেষ্ট কয়াসু তৌগনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টর ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা প্রসিদেন্ট উনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা মহাক্কী দেল্লি খোঙচত্তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগা উনখ্রে। উনবা অদুদা মহাক্না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টপু সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেসন সেরেমোনি য়াওবীরনবা চেবাও পীরমখি। মদুগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংসিগী মতাংদসু অসুপ্পা পাউদম অমা থল্লমখি হায়না রাজভবন্দগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

[illegible]

[illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্নবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্নবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মরী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্নবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/8533/8 Feb. to 9 March

[illegible] / খোঙ হাম্ফমগী অমাংথোঙ মখুনদু ফুজিল্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদুসু পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদুগী মপান অকোয়বদু স্কিন অদু পাশিনবা, অয়ুক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারকপা, অমাংথোঙ মনুংগী মপান অকোয়বগী স্কিন অপাবা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্ফমগী অমাংথোঙ মনুংদু ফুজিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদুসু পোম্বা, অমাংথোং মনুংগী মপান অকোয়বদু স্কিন পাশিল্লকপা, অয়ুক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবা অদু অকনবা ওইনা তারল্লগা অমাংথোঙ মনুংগী মপান অকোয়বদুগী স্কিন অপাবা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি অকনবা অমাংবা অদুনা অপাবা উনসা অদুদা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অয়ুক্কী খোঙ অহানবা হাম্বা খূদিংগী অকনবা ওইনা হাল্লকপা, পাশিল্লগা লৈবা উনসা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ তাবা, অয়ুক্কী খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, অহানবা অমাংবগী মচিন অদু অকনবা ওইরক্লি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোকপা, খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপৃগী থৌজালদগী মপৃং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8538/12 *থাগৎচরিবী :* **M. Anita Devi**, Sagolband

[illegible] / খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হামদবা মতমদনা চিকপা নাবদু তৌদবা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হামদবা মতমদনা চিকপা নাবদু তৌদবা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নাবা-থুপ্পা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ য়াওরকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফখিবা অমুক তারকপা, শা-ঙা, থাউ-মোরোক অমদি অথুম-অহাও চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারণগা পূক কংখৎপা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, কুইনা ফম্লগনা অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎপা, ঙকশম মরি নাবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, ফম্বী শোনবা, হক্তিনিংদবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা বং-বং লাউরগা করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূত্তগী তাখিবা খঙহৌদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপৃগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/9407/12 *থাগৎচরিবা :* **Ph. Goroba**, Kakwa